# য়ুম্বু ব্রাজিলনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে, অর্জেন্টিনা, মেক্সিকো মপান থোকখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১১ ঃ
য়ুম্বু ব্রাজিলনা অরোইবদা মখোয়গী ফোর্ম তারকখিদুনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী ফুটবোলদা দেনমার্কপু য়াম্না লাকচনা ৪-০ দা মায়থীবা পীদুনা ক্বার্টর ফাইনেলদা খুমাঙ চাউশিনখ্রে।



অমরোমদা নুপাগী অতোপ্পা মেচশিংদা হোল্ডর মেক্সিকো অমদি অনীরক ৱিন্নর ওইখ্রবা অর্জেন্টিনানা মখোয়-মখোয়গী ফংখিবা মেচশিংদা মায়থীহৌদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখ্রে।

মখোয়গী মমাঙদা ফংখিবা অহানবগী মেচ অনীদা গোল অমত্তা চন্নদনা দ্রো চৎখ্রবা মতুং ফুটবোলদা ঙাওজবা লৈবাক অমা ওইরিবা ব্রাজিলনা মশক থোক্না শান্নরকখিদুনা লাষ্ট আইটকী মফম অমা কঞ্জবা ঙমখি। মেচ অদুগী অহানবা হাফতা গ্রাব্রেল বারবোসা অমদি গাব্রেল জেসসনা চনখিবা গোলনা মখোয়গী টিমবু মপুং ফাবা প্লেটফোর্ম অমদা থম্বা ঙমখি।

অনীশুবা হাফতা লুঅন অমদি বারবোসানা গোল অনী অমগা অমুক চনশিন্দুনা ব্রাজিলবু গ্রুপ এগী খ্বাইগী মকোক্তা পুখৎতুনা থমখি। লাক্লিবা থাংজ নুমিৎতা ব্রাজিলনা ফেল্লো সাউথ অমেরিকান কলম্বিয়াগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

দেনমার্কনা গোল মার্জিন ৱাংনা মহাক্কা মায়োক্লখিবা টিমশিংগী মখুৎতা মায়থীহৌরবসু মহাক্কী গ্রুপতা পোইন্ট ৪ ফংলগা অনীশুবা মফম কনবা ঙমখিদুনা মখা তানা মথংগী রাউন্দগীদমক খুমাঙ চাউশিনখিবগা লোয়ননা মথংগী রাউন্দদা নাইজেরিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নরগনি। অদুগা অতোপ্পা গ্রুপকী গেম অমদা ইরাক অমদি সাউথ অফ্রিকা অনীনা ১-১ দা দ্রো চৎখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদগী লৈবাক অনীমক মপান থোকখ্রে।

টুর্ণামেন্ট অসিগী অতোপ্পা মেচতা কুমজা ২০০৪ গী এথেন্স অমদি কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্কী চেম্পিয়ন অর্জেন্টিনানা গ্রুপ দিগী মেচতা হোন্দুরাসগা ১-১ দা দ্রো চৎখিবদগী টুর্ণামেন্ট অসিদগী লৈহৌখি। অতোপ্পা মেচতা পোর্টুগালনা অলজেরিয়াগা ১-১ দা দ্রো চৎখিদুনা পোর্টুগালনা পোইন্ট ৭ ফংদুনা মখোয়গী গ্রুপকী খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

হোন্দুরাসনা অর্জেন্টিনাগা গোল দিফরেন্সতা য়েংনরকপা মতমদা গোল চনখিবগী মশিং য়ামখিবদগী মহাক্কী গ্রুপকী অনীশুবা ক্বালিফাইয়িং স্পোট কনবা ঙমখি। মেচ অদুদা হোন্দুরাসকী ফংখিবা পেনাল্টি অমা গোল ওন্থোকপা ঙমদনা দ্রো চৎখিবনি। টিম অনীমক্না পোইন্ট মরি মরি ফংমিন্নখ্রবসু হোন্দুরাসনা খুদোংচাবা ফংখি। অতোপ্পা মেচ অমদা দ্রো চৎখিবা অলজেরিয়ানা পোইন্ট অমখক ফংবা ঙমখি।

য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নখিবা মেচশিংগী মনুংদা জর্মনিনা গোল মার্জিন খ্বাইদগী ৱাংনা মায় পাকপা টিম ওইখি। মেচ অদুদা জর্মনিনা ফিজিবু গোল ১০-০ দা মায়থীবা পীখি। জর্মনগী নিলস পিটরমেননা গোল মঙা অমদি মেক্সিমিলিয়ন মেয়রনা গোল অহুম চনখি। য়ুরোপিয়নগী সাইদ অসিনা মখোয়গী অহানবা ওইনা ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবদা মায়োক্ল খিবা টিমশিংদা গোল ২৩ চনশিন্দুনা টিমশিং অদুবু লাক্লখি।

গ্রুপ অসিমত্তুদা য়াওরিবা মেক্সিকোনা সাউথ কোরিয়াগী মখুৎতা ০-১ দা মায়থীহৌখিদুনা টুর্ণামেন্ট অসিদগী মপান থোকখি। কোরিয়াগী মায় পাকপগী অমত্তা ঙাইরবা গোল অদু কৱোন চাং-হুননা মেচকী ৭৭ চৎপা মতমদা চনখি। কোরিয়ানা গ্রুপ অসিদা পোইন্ট তরেৎ-তরেৎ ফংদুনা জর্মনিগী মথক থংনা খ্বাইগী মকোক্তা লৈখি।

কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সতা ব্রাজিলবু মায়থীবা পীদুনা গোল্ড মেদল লৌখিবা মেক্সিকোনা ফিজিগা পুন্না কম্পিটিসন অসিদগী মপান থোকখি।


লাক্লিবা নোংমাইজিং নুমিৎতা শান্নগদবা ক্বার্টর ফাইনেলদা সাউথ কোরিয়ানা হোন্দুরাসকা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। অদুগা জর্মনিনা গ্রুপ দিগী ৱিন্নর পোর্টুগালগা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

কলম্বিয়াগী মখুৎতা ২-০ দা মায়থীখিবা নাইজেরিয়ানা গ্রুপ বিগী অনীশুবা মফমদা লৈখি। কলম্বিয়াগী গোলশিং অদু টেওফিলো গুটিরেজ অমদি দোর্লান পাবোননা পেনালটিদা গোল অমমম চনখি।

অতোপ্পা মেচতা জপাননা স্বিদেনবু ১-০ দা মায়থীবা পীদুনা গ্রুপকী অহুমশুবদা তাখিদুনা সাইদ অনীমক্না কম্পিটিসন অসিদগী মপান থোকখি।

# মনোজ কুমারনা লন্দনগী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট ইভালদাস পেট্রাউস্কাবু মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১১ ঃ
ইন্দিয়াগী বোক্সর মনোজ কুমারনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপা বোক্সিংগী লাইটৱেলটর ৱেঠকী কে জি ৬৪ গী কেটাগোরিগী মহাক্কী অহানবা রাউন্দগী বাউটতা কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক্সকী ব্রোঞ্জ মেদলিষ্ট (কে জি ৬০) ইভালদাস পেট্রাউস্কাবু মায়থীবা পীদুনা প্রি-ক্বার্টর ফাইনেল চঙখি।



অকনবা লম্বা তৌদুনা শান্নখিবা বাউট অদুদা মনোজনা এগ্রেসিভ ওইনা শান্নরকখিবা পেট্রাউস্কাবু রাউন্দ অহুমদা নম্মৎতুনা ২-১ দা মায়থীবা পীখিদুনা কম্পিটিসনগী মপান্দা ইন্থোক্লমখি।

মায় পাকখিবা অসিনা মনোজনা রিও ওলেম্পিক্সকী মথংগী রাউন্দদা খুমাঙ চাউশিনখিবা অনীশুবা ইন্দিয়নসু ওইবা ঙমখ্রে। ভিকাস কৃষণনা অহানবা ইন্দিয়ন ওইনা মিদ্দল ৱেঠ কেটগোরিদা মায় পাক্তুনা মথংগী রাউন্দদা চঙখিবনি।

মনোজগী মথংগী বাউটতা মঙাশুবা সীদ উজবেক্কী ফাজলিদ্দন গাইবনাজারোভকা নোংমাইজিং নুমিৎকী প্রি-ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়োক্লদুনা লম্বা তৌনগনি। গাইবনাজারোভনা কুমজা ২০১৫ দা পাঙথোকখিবা ৱর্ল্ড চেম্পিয়নশিপতা সিলভর মেদল লৌখিবদা নত্তনা মমাঙ চহীদা পাঙথোকখিবা এসিয়ন চেম্পিয়নশিপকী সিলভর মেদলসু লৌবা ঙমখিবনি। অহানবা রাউন্দগী বাউটতা মনোজনা এগ্রেসিভ ওইনা শান্নখিবা পেট্রাউস্কাবু লাপথোক্না লৈদুনা এটেকশিং তৌখি। য়াম্না নকশিন্না শান্নখিদবনা রাউন্দ অদু মনোজগী ফেভরদা জজনা মায় পাকহনখি। অমুকসু হন্না মনোজনা মমাঙ রাউন্দদা শান্নখিবা টেক্নিক অদুমক সেকেন্দ রাউন্দদসু শান্নখি অমদি মশক থোকপা পঞ্চশিং ওপোনেন্টকী মায়োক্তা পীশিনখি। পেট্রাউস্কানা অথুবদা খুৎ হন্নবা চঙশিল্লকখ্রবসু কান্নবা ফংদনা বাউট অদু লোইশিনখি।

অহুমশুবা রাউন্দদা বোক্সর অনীমক্না নকশিন্ননা শান্নরকখ্রবসু মনোজগীদি টেক্নিক অদু অহোংবা লৈতনা চঙশিনখি। মনোজনা মতিং লৈনা পঞ্চশিং ওপোনেন্টকী মায়কৈদা পীশিনখি অদুবু পেট্রাউস্কানা নিংথিনা খুৎ হল্লকখিদুনা মায় পাকখ্রবসু মমাঙগী বাউট অনীদা নিংথিনা শান্নখিদবদগী ইন্দিয়াগী মখুৎতা মায়থীহৌদুনা লৈহৌখি। অতোপ্পা ইন্দিয়াগী অহুমশুবা বোক্সর শিভা থাপানা বেন্টমৱেঠ কেটগোরিদা শান্নরগনি।

# রিও ওলেম্পিক্সকী শান্নগদবা টেনিসকী মেচ ২৬ কী মনুংদা ২০ নোং চুবদগী য়ৈথোকখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১১ঃ
ব্রাজিলনা য়ুম্বু ওইদুনা চথরিবা রিও ওলেম্পিক গেমসগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা টেনিসকী মেচ ২৬ কী মনুংদা ২০ দি নোং চুবনা মরম ওইদুনা য়ৈথোকখ্রে।



রিও দি জানৈরোদা নোং থিৎলি-থিৎলি চুবদগী শান্নগদবা মেচশিং মতম খরগী ওইনা লেপ্তুনা লৈখ্রবসু অহোংবা ফীভম লৈতবদগী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্নগদবা মেচ অয়াম্বা য়ৈথোকখি। রিওদা লৈরিবা টেনিসকী কোর্টশিং মথক কৃপ্তবনা শান্নবা য়াদবদগী মেচশিং অদু য়ৈথোকখিবনি।

য়ৈথোকখিবা মেচশিং অদুগী মনুংদা গ্রান্দ স্লাম চেম্পিয়ন ১৪রক ওইখ্রবা অমদি কুমজা ২০০৮ গী বৈজিং ওলেম্পিক্সকী গোল্ড মেদলিষ্ট রাফেল নদালনা নুপাগী সিঙ্গলসকী অহুমশুবা রাউন্দদা ফ্রান্সকী গিলেস সিমোনগা শান্নগদবা মেচ, মেন্স দবলসকী মার্ক লোপেজগা জুরা শেমদুনা কনাডাগী দানিয়েল নেষ্টর অমদি ভাসেক পোস্পিসিলগা শান্নগদবা সেমি ফাইনেল মেচ অমদি মিক্স দবলসকী গার্বিন মুগুরুজাগা জুরা শেমদুনা চেক রিপব্লিক্কী লুসী হরাদেকা অমদি রাদেক ষ্টেপানেক্কা শান্নগদবা অহানবা রাউন্দগী মেচ য়াওরি। কুমজা ২০১২ গী লন্দন ওলেম্পিক গেমসগী চেম্পিয়ন এন্দি মরেনা ইটালিগী ফাবি ফোগনিনিগা শান্নগদবা মেচসু য়ৈথোকপদা য়াওখি।

এন্দি মরে অমদি নাদালনা রিও ওলেম্পিক্সতা অনীরকশুবা ওইনা গোল্ড মেদল লৌননবগীদমক চাউরবা আশা অমগা লোয়ননা রিওদা চঙলকখিবনি। য়ুমশকৈশা নুমিৎতা শান্ননবগীদমক লৈহৌখিবা মেচ তরুক অদুদি নুপাগী সিঙ্গলস, নুপীগী সিঙ্গলস অমদি মিক্স দবলসকী মেচশিংনি। হায়রিবা মেচশিং অদুদা শান্নবা য়াবগী অয়াবা রিও ওলেম্পিক্কী ওর্গনাইজরশিংনা পীরক্লবদি য়ুক্রেনগী ইলিনা সভিটোলিনা য়াওরি।

সভিটোলিনানা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান সেরেনা ৱিল্লিয়মসপু ষ্ট্রেট সেটতা মায়থীবা পীখিবনি। সভিটোলিনানা ৱিমব্লেদনগী অনীরক চেম্পিয়ন ওইখ্রবা পেট্রা কভিটোভাগা ক্বার্টর ফাইনেলদা মায়োক্লদুনা শান্নগনি।

অতোপ্পা নুপীগী সিঙ্গলস মেচশিংদা পোর্টোরিকোগী মোনিকা পুইগনা জর্মনিগী লৌরা সিজমুনগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি। নুপাগী সিঙ্গলস মেচতা ফ্রান্সকী গেল মোনফিলসনা কুমজা ২০১৪ গী য়ু এস ওপনগী চেম্পিয়ন ক্রোসিয়াগী মারিন সিলিককা শান্নগনি। ৱর্ল্ড নম্বর ফোর জপানগী কৈ নিশিকোরিনা স্লোভাকিয়াগী এন্দ্রেজ মার্টিনগা শান্নগনি।

মিক্স দবলসতা স্পেনগী কার্লা সৌরেজ নভারো অমদি দেভিদ ফেররনা রোমানিয়াগী মোনিকা নিকুলেসকু অমদি ফ্লোরিন মার্গীগা শান্নগনি। অদুগা পোলেন্দগী অগনিজস্কা রাদৱানস্কা অমদি লুকাজ কুবোটনা রোমানিয়াগী ইরিনা বেগু অমদি হোরিয়া টেকাউগা লম্বা তৌদুনা শান্নগনি।

টেনিস পামজবা ফেনশিংনা য়ুমশকৈশা নুমিৎকী টিকেট ককখিবশিং রিও ওলেম্পিক্সকী ৱেবসাইটতগী মখোয়গী টিকেটশিং রিফন্দ তৌনবগীদমক এপ্লাই তৌবা য়াগনি হায়না পাউগী এজেন্সিনা রিপোর্ট তৌরক্লি।

# দিং নিংনা নুপীগী টেবল টেনিসকী গোল্ড মেদল লৌখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১১ঃ
চিনাগী দিং নিংনা মফম অসিদা চথরিবা ওলেম্পিক্সকী নুপীগী টেবল টেনিসকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা ফাইনেল মেচতা মহাক্কী টিমমেট অমদি দিফেন্দিং চেম্পিয়ন লী জিয়াওজিয়াবু ৪-৩ দা মায়থীবা পীদুনা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল লৌখ্রে।



ৱর্ল্ড নম্বর টু দিং নিংনা কুমজা ২০১২ গী লন্দন গেমসদা সিলভর মেদল লৌখিবনি। মহাক্না অথুবা স্পিদতা শান্নখিবা মেচ অদুদা লী জিয়াওজিয়াবু নম্মৎতুনা মায় পাখিবা মতুং লৈমায়দা মখুউনা নোন্থদুনা কপখি অমদি মহাক্না পোদিয়মদা কাখৎতুনা গোল্ড মেদল অদু লৌদুনা মখুৎ থাঙ্গৎতুনা নুংঙাইবা ফোঙদোকখি।

মেচ অদু লোইরবা মতুংদা দিংনা পাউমীশিংদা হায়খি, চহী মরিগী মমাঙদা ঐনা লন্দন ওলেম্পিক্সতা শরুক য়াখিবা অদুগী মতুং রিওদা শরুক য়াবসিদনা হেন্না মেচিয়োর ওইরে হায়না ইশাদা ফাওজে। ফইনেল অদুদা ঐখোয় অনীমক থাক ৱাংনা প্লে কুংখি। মখোয় অনীনা সেট অমগী মতুংদা সেট অমা অঙম তান্নদুনা পোইন্টশিং লৌখি। অরোইবা সেটতা লীনা দিং নিংগী মায়োক্তা নিংথিনা খুৎ হনবা ঙমখিদবদগী ১১-৭ তা মায়থীখি।

মশাগী চহী ২৬ শুরবা দিংনা ওলেম্পিক্তা মায় পাকখিবা অসিনা মহাক্কী গ্রান্দ স্লাম টাইটলসু ওইবা ঙমখি। মহাক্না মমাঙদা ৱর্ল্ড কপ অমুরক অমসুং ৱর্ল্ড চেম্পিয়ন অনীরক ওইবা ঙমখি।

মশাগী চহী ২৮ শুরবা লীনা হায়খি, মহাক্না মহাক্কী খ্বাইদগী ফবা ফোর্মদা শান্নখি। ঐহাক্না হৌখিবা চহী মরি অসিদা নিংথিনা ট্রেনিং তৌবা ঙম্লকখিদে। মরমদি অশোকপশিং লৈখিবনা ট্রেনিং তৌবদা অপনবা ওইখি। করিগুম্বা চহী অমা চাং নাইনা ট্রেনিং তৌরম্লগদি মসিগী মেচ অসি শুংশোই শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়না ঐঙোন্দা অচেৎপা থাজবা লৈখি। অদুবু ঐনা মায়থীখিবদা নুংঙাইতবা লৈখিদে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

টেবল টেনিসকী ইভেন্টতা চাইনাগী প্লেয়ররশিংনা ফাইনেলদা লম্বা তৌনখিবা অসিনা লৈবাক অসিনা মশান্না অসিবু দোমিনেট তৌনা চৎলি হায়বদু তাক্লে।

টুর্ণামেন্ট অসিদা ফাইনেল চঙবা ঙমদনা লৈহৌখিবা ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লিয়ু শিৱেননা মেচ অদু পুক্লিং চঙনা য়েংখি।

লৈবাক অসিনা কুমজা ২০০৮ দা পাঙথোকখিবা বৈজিং ওলেম্পিক গেমসদা নুপা অমসুং নুপীগী সিঙ্গলস ইভেন্টতা ওলেম্পিক্কী মেদল তরুক লৌবা ঙমখি। ওলেম্পিক অদুদা লৈবাক অমগী প্লেয়র ২/২না ইভেন্ট অদুদা কম্পিট তৌবা য়াগনি হায়বগী অয়াবা পীখিবনি। মখোয়না চহী মরিগী মমাঙদা পাঙথোকখিবা লন্দন ওলেম্পিকতসু গোল্ড অমদি সিলভর মেদলশিং লৌখিবনি।

নোর্থ কোরিয়াগী অহানবা ওইনা শরুক য়াখিবা কিম সোংনা জপানগী আই ফুকুহরাবু ৪-১ দা মায়থীবা পীদুনা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখি। কিমনা মেচ অদু মায় পাকখিবদা মমিৎতগী মপি তানা কপখি অমদি নুংঙাইবনা থুম্মৎতুনা কোয়চেন চেনখি। মহাক্কী মনাক্তা পাউমীশিংনা পাউ লৌননবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি। মেচ অদুগী সিলভর মেদলনা চাইনাগী ৱর্ল্ড নম্বর ৱান লী জিয়াওজিয়ানা লৌখি।

রিও ওলেম্পিক্সকী য়ুমশকৈশা নুমিৎ ফাওবদা চিনানা গোল্ড মেদল ৮, সিলভর ৩ অমদি ব্রোঞ্জ মেদল ৬ লৌদুনা অপুনবা মেদল ১৭ লৌখ্রে। মখা তানা চিনানা তোঙান-তোঙানবা দিসিপ্লিনশিংদা শরুক য়ারিবা অসিদগী মেদলশিং ফংলকখিগনি হায়বগী চাউরবা থাজবা লৈরি হায়রি।

চিনানা রিও ওলেম্পিক গেমস অসিদা য়ু এস এগী হেক মথংদা অনীশুবা মফম কন্দুনা লৈরিবা অসিদগী কাখৎতুনা মকোক থংবা মফমদা লৈননবা অচেৎপা পান্দম থমদুনা মখা তাবা মেচশিংদা লৌননবা হোৎনরি হায়না পাউগী এজেন্সিশিংনা রিপোর্টশিং তৌনরক্লি।

# পাউল পোগবানা ট্রান্সফর ফী খ্বাইদগী য়াম্বা প্লেয়র ওইখ্রে

মাঞ্চেষ্টর, ওগষ্ট ১১ ঃ
মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা ফ্রেঞ্চকী মমিং লৈরবা সুপরষ্টার পাউল পোগবাবু জুভেন্টসতগী য়ুরো মিল্লিয়ন ১০৫ (য়ু এস দোল্লর মিল্লিয়ন ১১৬) দা লৈদুনা ট্রান্সফর ফীদা খ্বাইদগী য়াম্বা শেনফম ওইদুনা অনৌবা মালেমগী রেকোর্দ ওইখ্রে।



হীরম অসিগী মতাংদা ৱারোইশিন অমা লৌবা ঙমদনা লাকখ্রবা মতুং মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা পোগবাবু ক্লব অসিদা শান্নহন্নবগীদমক অমুক হন্না পুশিল্লক্তুনা চহী মঙাগী খুৎয়েক পীনখ্রে হায়না হৌখিবা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা লাউথোকখি।

চৈরক অসিদা জুভেন্টসনা পোগবাবু মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা য়ুরো মিল্লিয়ন ১০৫ দা ট্রান্সফর তৌখিবগী পাউ অদু অচুম্বনি হায়না ফোঙদোক্লদুনা হায়রিবা শেনফম অদু চহী অনী ফাওবগী মনুংদা পীগদবনি হায়না ফোঙদোকখি। পাউন্দ মিল্লিয়ন ৮৯ গা মান্নবা ট্রান্সফর ফী অদু কুমজা ২০১৩ দা ৱেলসকী ষ্টার গারেথ বেলবু রিয়েল মেদ্রিদনা টোটেনহাম হোটস্পুদতগী পাউন্দ মিল্লিয়ন ৮৫ দা লৌখিবা রেকোর্দ অদু থুগায়খিদুনা মশান্না অসিগী পুৱারীদা পোগবানা খ্বাইদগী ট্রান্সফর ফীদা মমল য়াম্বা ফুটবোল শান্নরোয় ক্লব অমা ওইরে। ক্লব অসিদা অমুক হন্না শান্নবা ফংলগনি খল্লুবদা হায়নিংঙাই লৈতনা ইশাদা নুংঙাইবা অমদি অপেনবা ফাওই। ক্লব অসি ঐহাক্কী ইফমদা অখন্নবা মফম অমা কন্দুনা লাক্লি অমদি কোচ জোস মৌরিনহোগা অথুবদা পুল্লগনি হায়না ফোঙদোকখি।

পনবা য়াই, পোগবানা মহাক্কী কন্ট্রেক্ট লোইদুনা জুভেন্টসতা চৎত্রিঙৈ মমাঙদা মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদকীদমক মেচ তরেৎখক শান্নরমখি। পোগবানা শান্নরিঙৈ মতমদা থংন-থংননা সেরি এগী টাইটল মরিরক লৌখিবদা নত্তনা মরমদম ফ্রেঞ্চপু য়ুরো ২০১৬ কী ফাইনেল ফাওবা পুশিল্লমখি।

শক্লাইরবা শান্নরোয় অসিনা কুমজা ২০১৩ গী ৱর্ল্ড কপতা ফ্রেঞ্চকী অন্দর-২০ টিমগী কেপ্টেন ওইদুনা টাইটল লৌখি। কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড কপকীদমক কুমজা ২০১৩ গী মার্চ থাদা পাঙথোকখিবা ক্বালিফাইয়রদা মহাক্কী অহানবা সেনিয়র ইন্টরনেসনেল ওইনা জোর্জিয়াগা মায়োক্লদুনা শান্নখি। চহী অদুমক্কী সেপ্টেম্বর থাদা বেলারসকী মায়োক্তুনা শান্নখিবা অতোপ্পা ক্বালিফাইয়রদা অহানবা ওইনা গোল চনখি। লোয়ননা পোগবানা কুমজা ২০১৪ গী ৱর্ল্ড কপতা বেষ্ট য়ঙ প্লেয়রগী মনাসু ফংখি।

ওইরে হায়না জুভেন্টসনা মখা তানা ফোঙদোকখি।

পোগবানা মহাক্কী ট্রান্সফরগী মতাংদা হায়খি, ফুটবোল মশান্নদা ঐনা পামজবা পন্থুং অদু য়ৌনবগীদমক মাঞ্চেষ্টর য়ুনাইটেদনা মতীক চারবা

# মণিপুরগী নুপামচা চিংলেনসনা সিংহ, কোথাজিৎ সিংহনা ইন্দিয়াবু মোমোন মীনোক তমহনখি



মুম্বাই, ওগষ্ট ১১ ঃ
মণিপুরগী চিংলেনসনা সিংহ কাঙুজম অমসুং কোথাজিৎ সিংহ খদাংবমনা রিও ওলেম্পিক গেমসগী অর্জেন্টিনাগা শান্নখিবা মেচতা মায় পাকখিবা ইন্দিয়াগীদমক মশক থোকপা থৌদাংশিং লৌদুনা পুৱারীগী লৈমায়দা অমুবা কালিনা ইখি।

ইন্দিয়াগী টিম অসি পঞ্জাব, উরিষা, কর্ণাটাকা অমদি মহারাষ্ট্রদগী প্লেয়রশিং য়াওদুনা লাকখ্রবসু মণিপুরগী জুরা চিংলেনসনা সিংহ কাঙুজম অমসুং কোথাজিৎ সিংহ খদাংবমনা ইন্দিয়াগীদমক থৱায় খুবাক্তা হাপ্তুনা শান্নখিবদগী ইন্দিয়ানা অর্জেন্টিনাগী মথক থংনা মায় পাকপা ঙমখি।

কে এস ঐচ থোইবা সিংহ অমদি টিকেন সিংহনা ইন্দিয়াগীদমক মহুৎ শিন্দুনা শান্নখ্রবা মতুং নেসনেলগী হোকিগী সিনদা মণিপুরগী প্লেয়রশিংনা তোয়না শরুক য়াবা ঙমদনা লাকখি। অদুবু কোথাজিৎ অমদি চিংলেনসনানা ইন্দিয়াগী টিমদা য়াওরক্তুনা মশক থোকপা পার্ফোর্মেন্সশিং পীরক্লি।

হোকি ইন্দিয়াগী ৱেবসাইটতা থাগৎলকখিবা রিপোর্টকী মতুং ইন্না চিংলেনসনানা ইন্টরনেসনেলগী মেচ ১১২ শরুক য়াখিবদা গোল ৫ চনবা ঙমখ্রে। অদুগা কোথাজিৎনা গেম ১১৩ শান্নখিবদা গোল ৪ চনবা ঙমখি হায়রি।

জুরা অনী অসিগী মনুংদা কোথাজিৎনা হন্দক ইন্দিয়াগীদমক খ্বাইদগী মরু ওইবা গোল অনী চনবা ঙমখি। মহাক্কী অহানবা গোল অদু কুমজা ২০১৪ গী এসিয়ন গেমসগী ফাইনেলদা পাকিস্তানগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা গোল ইক্বেলাইজ তৌখি। মেচ অদু ইন্দিয়ানা পেনাল্টি সুট আউটতা মায় পাক্তুনা ওলেম্পিক্কীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখি। অদুগা মহাক্কী অনীশুবা গোলনা লৈবাকপোকপা নুমিৎতা অর্জেন্টিনাগা মায়োক্লদুনা শান্নখিবা মেচতা চনদুনা ইন্দিয়ানা মায় পাকখিবগা লোয়ননা ক্বার্টর ফাইনেল চঙননবগী লম্বী য়াৎলমখি।

ইন্দিয়ন ওইলগী টিমদা কোথাজিৎকা পুন্না শান্নখিবা মমাঙগী ইন্দিয়াগী ইন্টরনেসনেল বিক্রম কান্টনা হায়খি, মশাগী চহী ২৩ শুরবা প্লেয়র অসি ৱা কয়া ঙাঙগন্দবা মীশক্লি। ঐখোয়গী টিমগীদমক চয়োল অমদা অমুক-মুক মীটিং পাঙথোকই। মদুদা মহাক্না ৱা অমত্তা ঙাঙদনা খন্নরিবশিং অদু তুমিন্না তাদুনা লৈ। মীটিংশিং লোইবদা কোথাজিৎনা ৱা ঙাঙদনা তুমিন্না লৈবদু ৱা খরা ঙাঙননবা লক্লে হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

হন্দক্তা ইকুই কুইদনা হোকি ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট নরিন্দ্র বত্রনা ফাগী ওইনা হায়খি, কোথাজিৎনা করিগুম্বা নোক্লবদি মঙোন্দা এৱার্দ পীগনি। মখোয়না কোথাজিৎনা নোকপা অদু ঙাইরবসু নোকপা তৌদনা লৈখি। তুংদা মহাক্না মহাক্কী প্রাইজ অদু ফংখি অমদি ইকায়না মফমদুদগী চৎখি।

# কাজখষ্টানগী নিজট রাহিমোভনা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমখ্রে

রিও দি জানৈরো, ওগষ্ট ১১ ঃ কাজখষ্টানগী নিজট রাহিমোভনা ক্লিন এন্দ জর্গতা কে জি ৪ হেন্না থাঙ্গৎতুনা মফম অসিদা চথরিবা রিও ওলেম্পিক্সকী য়ুমশকৈশা নুমিৎতা পাঙথোকখিবা নুপাগী কে জি ৭৭ কী ৱেঠলিফটিংদা ৱর্ল্ড রেকোর্দ থমদুনা চাইনিজগী সুপর ষ্টার লৈয়ু জিয়াওজুনবু নমথরল্লগা গোল্ড মেদল লৌখ্রে।



রাহিমোভনা স্নেচতা কে জি ১৬৫ অমদি ক্লিন এন্দ জর্গতা কে জি ২১৪ পুন্না কে জি ৩৭৯ থাঙ্গৎতুনা গোল্ড মেদল অদু লৌখিবনি। হায়রিবা কে জি অসিমক চাইনাগী সুপর ষ্টার লৈয়ু জিয়াওজুনসু থাঙ্গৎখি। অদুবু রাহিমোভনা মশা হেন্না য়াঙখিবদগী গোল্ড মেদল অদু লৌবা ঙমখি।

রাহিমোভকী গোল্ড মেদল অসিনা কাজখষ্টানগী অহানবা ওলেম্পিক্কী গোল্ড মেদল ওইদুনা মখোয়গী কোচিং ষ্টাফ মনুংদা হরাউ তয়াম্বা ফোঙদোকখি।

কাজখষ্টাননা রিও ওলেম্পিক্সতা শরুক য়ানবগী হোৎনরকখিবদা মখোয়গী মমিং লৈরবা লিফটরশিংনা দোপিংদা চেন্নবদগী শরুক য়াবা য়ানি-য়ারোই হায়বগী তম্বা ঙমদনা লৈরকখ্রবা মতুং ইন্টরনেসনেল ৱেঠলিফটিং ফেদরেসন্না অয়াবা পীরকখিবদগী রিওদা শরুক য়াখিবনি। আই দল্লিয়ু এফনা রসিয়া অমদি বলগেরিয়াগী লিফটরশিং শরুক য়াদনবা অথিংবা থমখ্রবা মতুং কাজখষ্টানদসু চপ মান্নবা অথিংবা অসি মায়োক্লরকপা য়াই হায়না ৱার্নিং তৌবা লৈখিবনি।